# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-01-2025)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিগী মহৈরোই খুদিংমক অমত্তা চিংথদনা মপুং ফানা মহৈ মশিং তমহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

ৱাফম অসি চীফ মিনিস্তরগী লাইরিক হৈমীন্নসি প্রোগ্রামগী মখাদা পাঙথোকপা থা তরুক্কী ওইবা রিমেদিয়েল কোচিং ইনেসিয়েটিবকা মরী লৈননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেননা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-ইম্ফালগী টি.জি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্লিবা কোচিং অসিদা মহৈরোই ২০০ হেনবনা শরুক য়ারি। মসিগী মনুং চন্না স্কুল বেগশিং অমদি ষ্টেস্নারি আইটেমশিংসু মহৈরোইশিংদা ফংহল্লি।

রাজ্য অসিগী মহৈরোই খুদিংমক মহৈ মশিং মপুং ফানা ফংহনবগা লোয়ননা তুংগী অফবা য়ুম্বী ওইহৌনবা রাজ্য সরকারনা চপ চানা লেপলি। অসিগুম্বা কোচিং প্রোগ্রাম অসিবু মায় পাকবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ওফিসিএলশিং অমসুং ওজাশিংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**লোক্তাক(এল)ঃ** লোক্তাক পাৎকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি পাৎ অসিগী পাক চাউবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লোক্তাক পাৎপু য়োকখৎনবা অমদি পাৎ অসিগী অকোইবগী ফিভম অমদি ঈশিং নুংশিৎ শেংহন্নবগীদমক হৌজিক পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মীফম অদুদা কুপা খন্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-

লোক্তাক পাৎনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন, কলচর অমদি অকোইবগী ঈশিং নুংশিৎকী খল ঙাক্তুনা থম্বদা চাউনা থৌদাং লৌরি। পাৎ অসিবু য়োকখৎনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নবা তঙাইফদেহায়নসু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মখা তাখি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা জিরো পোইন্ট-পি. ৱান রেলৱে তনেল রোডতগী মেগজিন অনিগা লোয়নবা নাইন এম.এম.সি.এম.জি. অমা, কন্ত্রিমেদ সিঙ্গল রাইফল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, হেন্দ সেট অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, সেনাপতি জিলাগী টি-খুল্লেনদা লৈবা চেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমদগী কানি কিলোগ্রাম অনিরোম ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ৩০৮ লোম সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে অমসুং তোঙান তোঙানবা মফম ১০৬ তা চেক পোইন্ট হাংদুনা অচৎ অওকশিং য়েংশিনবগী থবক চত্থরি হায়নসু পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী পুরুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কপাউ চিংশাংগী একর ১৫ রোম পাক চাউবা মফমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

পুরুল পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু য়াওনা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী রিজার্ব লাইনদা লৈবা পার্সোনেলশিং অমদি জিলা অসিগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী

মীওইশিং য়াওনা পোপী পান্বীশিং অদু য়ান্থৎখিবনি। মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ অমসু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিস্তার তৌরে হায়রি।

**নিংথৌ (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী পুৰারীগা শাগোন্নরবা লাই হরাউববু য়ুনেস্কোগী ইনটেনজিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংদা রাজ্য সভাগী এম.পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

সনা কোনুংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লাই হরাউববু য়ুনেস্কোগী লিষ্ট অসিদা য়াওহন্নবগীদমক ন্যু দিল্লিগী সঙ্গিৎ নাটক একাডমীনা রিকমেন্দ তৌবদা চংগদবা তঙাইফদবা মচাকশিংগী মতাংদা শেমখিবা কমিতিগী মেম্বরশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা ঙরাংদগী হৌখিবা র্পল কলচর, ইন্দ্যুজ ব্রিদিং ইন ফিস এন্দ মুশ্রুম কলটিভেসনগী মতাংদা চত্থরকপা টিচর ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিল্লগনি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ এস.সি.ই.আর.টিগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা এস.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তর-অহৈবম রোমেলনা হায়-নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মখাদা য়ু.জি. কোর্সশিংদা স্কিল এনহান্সমেন্ট কোর্স হাপচিল্লকপা অসিনা মহৈরোইশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। লোয়ননা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংবু মশানা মশাবু থবক পীজবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ভারত লান্মীগী লালগী জহাস অহুম ঙসি

কম্মিসন তৌরগনি।

মহারাস্ত্রগী মুম্বাইদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লালগী জহাস আই.এন.এস. সুরত, আই.এন.এস. নিলগ্রী অমসুং আই.এন.এস. ভকসির কম্মিসন তৌগনি। লালগী জহাস অহুম অসি কম্মিসন তৌগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিনা মশানা পুথোকচবা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং মায় পাকা পুথোক্তুনা মালেমদা মাংজিল থাবা লৈবাক ওইনবগী মংলান অদু মংফাওনবা ঙমলে হায়বা তাক্লি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নবি মুম্বাইদা শ্রীশ্রী রাধা মদনমোহোনজিগী লাইশঙ শঙ্গাগনি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজি দিপার্টমেন্টনা হায়রি-ঙসি অয়ুক অমদি নুমিদাং মনিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লৈচিল কা হেন্না থাগনি।

পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি অমদি উত্তর প্রদেসকী নোংচুপ থংবা শরুক খরদা অখাক অরাও য়াওবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ম্যান্মারদগী পুরকপা কোতি ৯ লোমগী দ্রগ অসামদা ফাখ্রে। চুরাচান্দপুরদগী মীওই অনিসু ফাগৎখি হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইননি। নো কনফিদেন্সকী ৱাফম লৈতে, ঙক কেল্লবসু লৈবাক কল্লমগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

নিংশা হোনবা নুংঙাইতে হায়দুনা লায়েংনবা পুখৎলকপা বি.এস.এফ. পার্সোনেল অহুম শিখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা

হেদলাইননি। পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা বি.জে.পি. নত্তনা মনিপুর কনবীগদবা পোলিটিকেল পার্টি লৈরোই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদলাইন ওইনা ঙক কেল্লবসু লৈবাক কায়বা য়ারোই খনবশিং পুনশিল্লসি হায়না ফোংলক্লি।

ষ্টেট অসিদা শান্তি থমবা সি.এমনা আর্মি অমসুং এ.আরগী মকোক থোংবশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। আমর্দ ফোর্স ভেটরানশিংনা শান্তি থমবা হোৎনবদা মপুং ফাবা কোরপোরেসন পীবিয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজতা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

আমর্দ ফোর্সেস ভেটরান ডে পাঙথোকখ্রে। মথৌদা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংদা এক্স গ্রেসিয়া লুপা লাখ ১০ পীরগনি লাউথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনি।

আমর্দ ফোর্সেস ভেটরান ডেগী পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমদি মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি মনিপুর লৈঙাক নীংবু নীংলবদি থোক্লবা অমা লাকই হায়বদু ওইগদৌরব্রা, মনুংদা করি লৈগে পি.কে. সিংহনা এরোপ্লেনদগী কুমথরক্লগা ইয়ারপোর্টতগী থোরক্ত্রিঙৈদা গভনর-এ.কে. ভাল্লানা চংশিনদুনা চিকথনরম্লগা দিল্লিদা চৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

ষ্টেট ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৮ গী মনুংদা মনিপুরনা পোৎ-চৈগী মমল খ্বাইদগী তাংবা ষ্টেট ওইরি হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইনি।

পাউ অসি পোকফমদনা মনিপুরনা ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৯.৪ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংবগী রেকোর্ড থমখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

পি.এম. উন্নবা ঙমদবা বি.জে.পিগী এম.এল.এ, মিনিস্তরশিংনা ইরাং লোয়শিনবা পাল্লমগনি থাজদে হায়না হরেশ্বর গ্বাশামীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম

ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মোদিনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৎপগী মতম কায়থোক্লবসু ইরাং নংলিবা মনিপুরদা চৎপগী মতমদি লৈত্রি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগা থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমদি গানফিয়ু মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে। তৌসেমগী পোষ্টেল ইনদেক্স নম্বর ৭৯৫১৬০ ওইরগনি হায়না নোর্থ ইষ্ট সার্কলগী চীফ পোষ্ট মাস্তর জেনরেলনা খঙহল্লকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইননি।